# এম এস এস এল সিনা শীন্দুনা ১৬ শুবা শুমাঙ লীলা নীংথম কুমহৈ ২০১৯ হৌখ্রে



মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিলনা শীন্দুনা চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা শুমাঙ লীলাগী নীংথম কুমহৈ দিসেম্বর ২১ দগী জনুৱারিগী তারিক ৭ ফাওবা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙলেনদা হৌদোকখ্রে।

লমদম অসিগী মীয়াম্না পাম্নবা প্রফোমিং আর্টফোম অমা ওইরিবা শুমাঙ লীলাগী মশক নায়বা দোল ১৫না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা শুমাঙ লীল্লাগী নীংথম কুমহৈ অসি হৌদোকপগী থৌরম অদুদা রাজ্য অসিগী সি এ পি & পি দি রেভিন্যু মন্ত্রি করাম শ্যাম অমদি পদ্মশ্রী নবা ৱারেপ্পনা অথোয়বা মীথুংলেন অমদি থৌরম মপু ওইদুনা হৌদোকখি।

কাউন্সিল অসিনা শুমাঙ লীলাদা মীৎয়েং থম্বতা নৎতনা শীথরক্লবা অমদি লমদম অসিগী লৈহাওদগী মুৎথ্রবা প্রফোমিং আর্ট ফোম কয়াবুসু অমুক নৌহৌননা হিংগৎহন্নবা পান্দম অমগা লোয়নননা কাউন্সিল অসি পাকথোক চাউথোকহল্লবা মতুংদা পুথোক্কদৌরিবা নিংথম কুমহৈ অসিদা শুমাঙ লীলাগী মতিং লৈবা দোল ১৫ না শরুক য়ারি।

টাইম ষ্টার অর্ষ্টিস য়ুনিয়ন, নহারোল খোঙথাং আর্ষ্টিস এসোসিয়েসন, দিদিকেটেদ ৱার্ল্ড আর্ষ্টিস য়ুনিয়ন, সনালৈবাক নাচোম আর্ষ্টিস, ইরমদম মণিপুর আর্ষ্টিস এসোসিয়েসন, পিস মেকর আর্ষ্টিস এসোসিয়েসন, মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিল, চুমথাং ক্রিএটিব আর্ষ্টিস এসোসিয়েসন, অপূনবা আর্ষ্টিস এসোসিয়েসন, সঙাই আর্ষ্টিস এসোসিয়েসন, নোঙিন শুমাঙ লীল্লা আর্ষ্টিস এসোসিয়েসন, মমি আর্ষ্টিস এসোসিয়েসন, শিরোই আর্ষ্টিস এসোসিয়েসন অমদি লমজিংবা আর্ষ্টিস এসোসিয়েসন হায়রিবা শুমাঙ লীল্লাগী দোলশিং অসিনা শরুক য়ারি।

লোয়নননা মশাগী চহী ৯৫ শুরবা শুমাঙ লীল্লাগী ফাগীগি নিংথৌনি হায়না শীংথান্নরিবা লাইশ্রম কুঞ্জরাজ মৈতৈদা সোসিয়েল ৱাকর এস মনাওতোননা কৎপা শুমাঙ লীলাগী খ্বায়দগী চাউবা শেলগী মনা য়াওবা “ পীদোনু এর্ৱাদ”পীগদৌরি। লোয়নননা শুমাঙ লীলা অইবা চনা লুখোইদা নোংথোম্বম বিরেন্দ্র এর্ৱাদ, লীল্লারোই মুতুম ইবোমচাদা গোজেন এর্ৱাদ, লীল্লারোই ফুরাইলাৎপম তোম্বা শর্ম্মাদা ওজা বোরী এর্ৱাদ, লীলারোই থোঙাম ওঙবী শান্তি দেবীদা থোকচোম ওঙবী চানন্দনি এর্ৱাদ, অয়েকপম ইনাকখুনবা সিংহদা মোইরাংনিংথৌ এর্ৱাদ, লীলারোই খেকমন রতনদা ইবেমহল পোপুলর এর্ৱাদ, নুপী খোঞ্জেল শৈশকপা কৈথেললাকপম সনাতোম্বা সিংহদা গুলামচাৎ আইদিয়েল এর্ৱাদ হায়রিবা এর্ৱাদ ৯ অসি কুমহৈ অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা পীগদৌরি।

শুমাঙ লীলা ফোর হ্যুমিনিটি হায়বা থীমদা পাঙথোক্কদৌরিবা নিংথম কুমহৈ অসিগী অহৌবা নুমিৎতা টাইম ষ্টার আর্ষ্টিস য়ুনিয়নগী “ ইচাগী নিংথা” হায়না মিংথোনবা শুমাঙ লীলা অসি উৎখি।

পূন্সি লম্বীদা ইচা চাওরগা নুংঙাইগনি খঞ্জরিবা ঙাক্তনি। ইমৌ লাক্লগা মনেম মকুনা চাউথোকচরিবনি। কনাগুম্বা খরনা মচাবু মীনুংশি চেন্দবসু য়াওনরি। নোংদম্বগী নোংদমখোল কনানা খঙবা ঙমগনি। তুংদা লাক্কদবা পূন্সি খঙলন্নবদি মপু মহাকপু কনানসু ৱারৌরগ্লোই। মচাবু নুংশিদবা মমা-মপা লৈব্রা ?

মচা-মমৌগী মায়থোঙ য়েংজরগা পেন্নরিবনি। মচানুপানা মমৌগী মতুং ইনখিবদা করম্বা মমা-মপানা য়ানিংগনি। মপাম্বোং দা য়ানিংদবা কোঙগায় লোৎতুনা মোমোন নোকপা তারগসু নুঙদদি শোয়দনা কপ্পমগনি।

অচুম্বা পামজবা মপা মমানা মচাগী খোঙচৎ খঙলবসু মচা নীংঙোলবু নুংশিজবা ঙাক্তনি। য়ূমগী মৌ লক্তা অচুম্বা চৎপী, লমচৎ ব্যেবার কায়দবী মৌসু য়াওদবা নত্তে। মমা-মপা মশক খঙদবা মচানা অপোকপী মমাদা ইমা কৌনিংদবা লৈরমগদরা ? অদুগা ৱাখল ফাথহৌবা ঙমদ্রবা মচানা কনাগী মফমদা চঙজরুগনি।



অসুন্না মচা নীংজবা মপানা মৈচাক কয়া খাঙলুরবসু পোক্তবা মচানা লাইগুম্না খনখিবদগী অপোকপা মচাগী নিংথা অদু চেৎনা কোন দুনা থমজরম্মী হায়বা উৎলিবা শুমাঙ লীল্লানি। “ ইচাগী নিংথা” লীলা অসিদা মরুওইনা শক্তম লাঙলিবশিংদি নুপাগীদা – মাঙ্গোলজাউগী শক্তমদা কৈকুবের, সনাজাউবগী শক্তমদা লাইঙম্বা মঙাং, মালেম্বগী শক্তঃমদা প্রেমজিৎ ৱাঙু, থম্বালজাউগী শক্তমদা ইথোই, বোয়াইগী শক্তমদা দরেন্দ্রজিৎ, কোন্দুমগী শক্তমদা লৈরেম্বনি।

নুপীগী শক্তমদা– কেতুকিগী শক্তঃমদা বুধা, তবাবীগী শক্তঃমদা হোবী সাপম, সনাতোম্বীগী শক্তঃমদা সুরেশ অমদি মেমতোম্বীগী শক্তঃমদা অঙাংমচানি।

শৈশকপা ঃ নুপাগী খোঞ্জেলদা বিসন, তৱ্লানা রোমিকান্ত,পেদদ্রমনা জোন্সন, বাসিনা রোক্কি, গিটরনা জয়কুমার, ঈশৈময়েক ইবনা গোকুল মঙাং, স্কিপ রাইটরনা জবিন মৈশ্নাম্বা, প্রোদুসরনা ধনবির নিংঙোম্বা অমদি ডাইরেক্টরনা গোকুল মঙাং লোয়নননা লীলা পুথোকপনা টাইম ষ্টার আর্ষ্টিস য়ুনিয়ননি।

## ঐচ রাজেসে

## মহৈরোইশিংগী খুদোল






*TITLE,: CHRISTMASS TREE*
**Ch.Gai Devi**
Class: III,
Sec : C
Roll No: 35
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN






*TITLE :TALKING OLD MAN*
**Melenson Soibam**
Class: III
Roll No: 46
School: Heritage Convent





*TITLE :A BANK*
**Lanleibi Laikhuram**
Class: III
Sec : Jasper
Roll No: 19
School: Heritage Convent




*TITLE : SAVE TREE*
**Jessica Takhellambam**
Class: III
Sec : A
Roll No- 1
School: Progressive English Shhool, Lamding





*TITLE : SCENERY*
**Vishwash Ch**
Class: III
Sec : Jasper
Roll No: 36
School: Heritage Convent






*TITLE : SCENERY*
**Laisom Matouleibi**
Class: III
Sec : Jasper
Roll No: 18
School: Heritage Convent





*TITLE : DEER*
**Gitriz Akoijam**
Class: III,
Sec : A
Roll No- 1
School: Ananda Purna School of Science





*TITLE : UNIVERSAL*
**Ulen Mangang**
Class: III,
Roll No- 42
School: Hindi Higher Secondary School



ꯑꯆ ꯃꯦ ꯑꯁ ꯃꯥꯡ
**S CHAOBA MEMORIAL ENGLISH SCHOOL (SCM)**

*Admission Opens*
Session- 2020
From Kids to Class IX

Boarders Admission fee will be refunded if no improvement till FAI Exam

Free admission for all class if admitted before 31st December

FREE ADMISSION FOR SIM KIDS

| Subject | Vacancy | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|
| 1. Science | 02 | Master | 5000-8000 |
| 2. English | 02 | Master | 5000-8000 |
| 3. Warden Girls | 03 | Grad./Master | 8000-12000 |
| 4. Warden Boys | 03 | Grad./Master | 8000-12000 |
| 5. Kids | 01 | Rhymes Training | 4000-6000 |



Last Date of form submission : 13th January 2020
Date of Interview : 15th January 2020

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*